# এ আই এফ এফকী গোল্ডন বেবি লীগ ফুটবোলনা অঙাংশিংগী মরক্তা চাউনা পূক্লিং থৌগৎলি



ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না হৌদোকখিবা গোল্ডন বেবি লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরু ওইবা পান্দমদি নহা ওইরিবা অঙাংশিংনা শান্নবদা হেন্না থৱায় য়াওহনবা অমদি চহী ৬তগী হৌদুনা মখোয়গী টেলেন্টশিংবু খঙদোকপনি। লীগ অসিনা অঙাংশিংগী মরক্তা চাউনা পূক্লিং থৌগৎলি।

গোল্ডন বেবি লীগ অসি চহী ৬কী মখাদগী চহী ১২ মখা ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংদা হেন্না পূক্লিং চিংশিনহন্নবগীদমক্তা এ আই এফ এফনা লৌখৎলকপা প্রোগ্রাম অমনি। মমাঙগী চহী ফাওবদা গোল্ডন বেবি লীগ ফুটবোল প্রোগ্রাম অসি চহী ৪ মখাগী কেটেগোরিদা অঙাং লিশীং ১০না শরুক য়াখি।

মসি মথংদা চহী ৬ মখাগী অঙাং লিশীং ৩না শরুক য়ারি। প্রোগ্রাম অসিগী পান্দমদি লৈবাক অসি মশক থোকপা ফটবোলগী লমদম অমা ওইনবা হোৎনবনি।

মমাঙ চহীগী মে থা ফাওবদা গোল্ডন বেবি লীগ ফুটবোল প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা অঙাং লিশীং ৩৫ রোমনা শরুক য়ারি।

গোল্ডন বেবি লীগ প্রোগ্রাম অসি এ আই এফ এফনা নীংথিনা প্লান তৌদুনা খুমাঙ চাওশিল্লকপা ঙল্লি। চহী কাঙলূপ খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা প্লান তৌদুনা ফুটবোল মশান্না অসিদা শরুক য়ারক্লিবা অঙাংশিংগী স্কিল অমদি ফিজিকেল দিভলপমেন্টকী মতাংদা অহেনবা ৱাখল্লোন থল্লি।

এ আই এফ এফনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু অহেনবা মশীংদা ইন্টরেক্সন তৌনবা অমসুং হকথেংননা লোয়ননবা হোৎনরি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ট্রেনিং সেসন পাঙথোক্লিবা মনুংদা অঙাংশিংদা ফুটবোল মশান্নগী কাঙলোনশিং অদু হঞ্জিন হঞ্জিন তাকপীবনা অঙাংশিংদা মপাঙ্গল কলহন্নবা অমদি স্কিল হেনগৎহন্নবগী মচাক অমা ওইরি।

চহী ৬তগী হৌদুনা অঙাংশিংদা তাকপীবনা মখোয়গী ফিজিকেল, মেন্টেল অমদি সাইকো-সোসল দিভলপমেন্টতা কান্নবা কয়া পীরি। গোল্ডন বেবি লীগ প্রোগ্রাম (প্রোজেক্ট) না হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী এক্সন অমদি রিএক্সন্দা দিভলপ তৌহন্নবগী লম্বেল অমা পীবগা লোয়ননা মায় পাকপগী পাঙ্গলসু পীবা ঙল্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা অঙাংশিংগী টেলেন্ট অসি থিদোকপগী মতাংদা ঙল্লিঙৈগী মতমদগী হৌগদবনি। গোল্ডন বেবি লীগ প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা রিজল্ট অসি উবদা মহাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা অমদি হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবগী ৱাখল্লোন ফাওই হায়খি।

প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা য়াম্না নুংঙাইবা অমনা নুপীমচা ৩৫০০ হেনবনা শরুক য়ারকপদা মমা-মপাশিংনা ফুটবোল মশান্না অসিদা য়াওশিল্লকপা অসিনি।

নুপা-নুপীগী খেন্নবা লৈতবা ট্রেনিং সেসন্দা শরুক য়াবনা বেবি লীগ ফুটবোল প্রোগ্রাম অসিগী মশক থোকপা কাঙলোন অমা ওইরি। এটিচুদ, দিসিপ্লিন অমসুং হার্দ ৱর্কনা য়ূম্বী ওইরিবা প্রোগ্রাম অসিনা তুংদা লৈবাক অসিগী অফবা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙমগদবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং মশক খঙদোকপা ঙমগদৌরি।

বেবি লীগ ফুটবোল প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারিবা মশীং য়াম্লবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা থৱায় য়াওবা শান্নরোয়শিংনা প্রোফেসনেল ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইখিবগী পান্দম লৈরবসু মশীং য়াম্লবা অতোপ্পা অঙাং কয়ানা তোঙান তোঙানবা লম্দা মখোয়না হেন্না পামজবা প্রোফেসন-ডোক্টর, টিচর, ইঞ্জিনিয়র, পাইলোট অমদি অতোপ্পদা চৎখিবা য়াই। অদুবু মখোয়দা ফুটবোল মশান্নগী টেলেন্ট অদুমদি অদুমক লৈহৌরগনি।

# এ এফ আইনা নিরজ চোপ্রাবু খেল রত্নাগী নোমিনেট তৌখ্রে, দুটি চান্দ অমসুং অতোপ্পা ৩ অর্জুনাগীদমক খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ০৩ (এজেন্সী): এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপাগী জেভ্লিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রাবু রজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখ্রে। অদুগা দুটি চান্দ য়াওনা অতোপ্পা এথলেট অহুমনা অর্জুনা এৱার্দকীদমক খনখ্রে।

মশাগী চহী ২২শুরবা নিরজ চোপ্রা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৮দা খেল রত্নাগীদমক অহানবা ওইনা নোমিনেট তৌখিবনি। হায়রিবা চহী অদুদা এৱার্দ অদু ফংদ্রগসু মহাক অর্জুনা এৱার্দ ওইনা ফংখি।

কুমজা ২০১৯দা নিরজ চোপ্রাবু অমুক্কা হন্না এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খেল রত্নাগীদমক নোমিনেট তৌখিবা অদুদা মহাক খল্লকখিদবনি। নিরজ চোপ্রা ইন্দিয়াগী ওইনা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মহাক কুমজা ২০১৮দা খেল রত্না এৱার্দ অদুগীদমক নোমিনেট তৌখ্রবসু ৱেটলিফ্টর সাইখোম মিরাবাইনা ফংখি।

এ এফ আইগী মায়কৈদগী অর্জুনা এৱার্দকীদমক খনগৎখ্রবা অতোপ্পা এথলেটশিং অদুদি ট্রিপল জম্পর অর্পিন্দর সিংহ, লোং দিষ্টেন্স রন্নর মঞ্জিৎ সিংহ অমসুং পি য়ু চিত্রা লোয়ননা স্প্রিন্টর দুটি চান্দনি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট এদিল সুমারিৱালানা ফোঙদোকখিবদা নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০২০গী খেল রত্না এৱার্দ শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। ফেদরেসন অসিনা দ্রোনাচার্যা অমসুং ধ্যানচান্দ এৱার্দকীদমক মথংশিংনা রাধা কৃষ্ণ নায়র অমদি কুলদিপ সিংহ ভুলর লোয়ননা জিন্সি ফিলিপ্পু নোমিনেট তৌখি।


## ꯊꯕꯛ ꯊꯤꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ /EMPLOYMENT NEWS

- Thoubal, Kakching, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch (H.Q) গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা 20 to 28 yrs তা লৈবা Office Supervisor (Graduate Computer Knowledge) 2/2 পামজৈ।
- 18 to 28 yrs তা লৈবা Car Driver (Unmarried) অমসুং Local Tata Driver (23 to 38 yrs) 2/2 পামজৈ।
- Tera Bazar অমসুং Shamurou Bazar গা নক্লনা লৈবা চেক Mistry অমসুং Jugali 3/3 পামজৈ।

*Please Contact:-* **L. Rammo**

**# 8787727402**

HL/B/6099/23 April to ...


# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এৱার্দকীদমক সেল্ফ দোমিনেসন জুন ২২ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী ওইবা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দকীদমক্তা শান্নরোয় মশামক্না নোমিনেট তৌবা য়াহনবগী খোঙথাং পায়খৎখ্রবা মতুং নোমিনেসন পীখৎলকপগী মতম থা অসিগী ২২ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

খোঙথাং অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা মার্চ ২৫দগী থল্লকখিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা রিকমেন্দ তৌগদবা হান্নগী শান্নরোয়শিং নৎত্রগা স্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং ষ্টেট ওলিম্পিক এসোসিএসনগা উনবা ফংদবগী অৱাবা অদু লৈবা মরম্না শান্নরোয় মশামক্না নেমিনেট তৌজবা য়াহল্লকপনি।

পনবা য়াবদি, স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দকীদমক পীখিবা থাগৎলকপগী অরোইবা মতম অদু জুন ৪ ফাওবা ওইরম্বদগী খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা জুন ২২ ফাওবা শাংদোকখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নেসনল স্পোর্টস এৱার্দকীদমক শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা ওথোরিটি নৎত্রগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা রিকম্মেন্দেসন তৌরগা থাগৎলক্কদবা অদু কোমথোক্তুনা মশা-মশানা নোমিনেট তৌজরগা থাগৎলকপা য়াবগী অয়াবসু পীরি।

মমাঙদা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দকীদমক শান্নরোয় অমনা নোমিনেসন তৌরকপা মতমদা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন, স্পোর্টস বোর্দ অমদি মমাঙদা এৱার্দ ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী রিকম্মেন্দেসন য়াওবগী চৎন-কাঙলোন লৈরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লোকদাউননা মরম ওইদুনা লৈঙাক্লা খন্নরবা মতুং হায়রিবা রিকম্মেন্দেসনশিং অদু কোমথোক্লগা মশা-মশানা সেল্ফ নোমিনেসন তৌবা য়াহল্লকপনি। নেসনল স্পোর্টস এৱার্দতা লৈরিবা মনাশিং অদুদি রজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দ, অর্জুনা এৱার্দ, দ্রোনাচার্যা এৱার্দ অমসুং ধ্যানচান্দ এৱার্দনি।

# শরুক য়ারোইদবা শান্নরোয়শিংগী দিপোজিৎকী শেনফম লৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর মার্সিএল আর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নেপালগী কাঠন্দুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মার্চ ২৯দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্টরনেসনল গেমস অদু মে ২৯দগী ৩১ ফাওবদা য়ৈথোকখ্রবা মতুং পাঙথোকপা য়াখিদবদগী শরুক য়ারোইদবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়না দিপোজিৎ তৌখিবা শেনফম অদু জুলাই ৩০গী অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকপা য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ওল স্পোর্টস এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী এসোসিএসন বোদি অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মার্সিএল আর্টস ফেদরেসনগী ওইবা অখন্নবা জেনরেল বোদি মীফম অমা শিংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা ওফিসতা ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট জীট খুমনচানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা অদুনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না নেপালগী কাঠমন্দুদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্টরনেসনল গেমস অদুদা শরুক য়াগনি হায়না মমিং মথা পীখৎলম্লবা শান্নরোয়শিংনা জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা লাক্তুনা মরী লৈনবা চে-চাংগা লোয়ননা য়ৌরক্কদবনি হায়রি। অদুগা, মমিং পীখৎলগা দিপোজৎসু তৌখ্রবা শরুক য়াররোইদবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী দিপোজিৎশিং অদু লৌনবা খঙহল্লকপনি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা শান্নরোয়শিংগী করিয়র মাঙদনবগীদমক্তা থৱায় য়াওবা শান্নরোয়শিংনা ইন্টরনেসনল জেমাসর চেম্পিয়নশিপ ২০২০ হায়রিবা মশান্না অসিদা ওনলাইনদা ফ্রী ওফ কোষ্টতা বেসিক অমসুং কাটা দেমোন্সত্রেসনগীদমক্তা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি। মসিগীদমক্তা ওনলাইনদা মেদিকেল সর্টিফিকেট থারক্কদবনি হায়না এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

# এফ আই ঐচনা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফিকেসনগী কন্টিনেন্টেল স্পোট মশীং হেনগৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ০৩ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেংনা মালেম শীনবা থুংনা শান্নবগী লম্দা অচৌবা অপনবা অমা পীদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ফাওবা চহী অমা য়ৈথোকখ্রবা মতুং হোকি ৱর্ল্ড লীগ কম্পিটিসনসু য়ৈথোকখিবদগী ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা মথংগী হোকি ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফিকেসনগী ওইনা কন্টিনেন্টেল ইভেন্টশিংদা অহেনবা স্পোট (মশীং) হেনহন্নবা পান্দম লৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী এগজিক্যুটিব বোর্দনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না কুমজা ২০২২গী নুপীগী ৱর্ল্ড কপ অসুং কুমজা ২০২৩ মেন্স ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফিকেসনগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা কন্টিনেন্ট মঙাগী টুর্নামেন্টশিংগী মতুংদা হান্নদগী মশীং হেনগৎলগা স্পোট ১১ খনগৎনবা ৱারেপ লৌখি।






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com